# অশিবা হকচাং হাপখিবা কু অমদি শরূ ফংবা ঙমখ্রে পল্লেল–মোরে অমসুং চান্দেল–লম্বী বন্দ হন্দোকখ্রে



চান্দেল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চাল্লোং ভিল্লেজগী ফাউন্দর অমসুং চীফ ওইরম্বা লৈখিদ্রবা দি থমনোক লমকাংগী চাল্লোং ভিল্লেজ সিমিত্রিদা লৈরোন চনখিবা হকচাং কুগা লোয়নননা হোগাইরগা পুখিবা অদু ঙসি নুংথিল তেংনৌপল পুলিসনা ফংবা ঙমখ্রে লোয়নননা লমকাং চীফস এসোসিয়েসন চান্দেলনা নেস্লেল হায়রে ১০২ গী পল্লেল–মোরে অমসুং পল্লেল–চান্দেল লম্বীদা কৌখিবা মতম কক্তুবা বন্দসু হন্দোকখ্রে

পাউ অসিনা হায়, থমনোক্কী হকচাংগী শরূ অমদি কু অদু ইম্ফালদা পুদুনা জেনিমস হোস্পিটাল পোরোম্পাৎকী মোর্গতা থমখ্রে। কু অমসুং শরূ শয়াংশিং অদু লৈরোল চনখিবা মফম অদুদগী চাউরাক্পা কিলোমিটর মখায় অমরোম খারোমদা চঙশিল্লগা লৈবা হান্না চীং নীংখায়খিবগী উ ৱা অমত্তা হৌদবা লোক অমদা তাদুনা লৈরম্বা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবা অদুৱাইদা থেংনরকখিবনি। তেংনৌপল পুলিসনা থৌদোক অদুদা চেন্নে হায়না ফাখিবা কনরিং কৌবা মীওই অমগা লোয়নননা ঙরাংদগী থিবা হুম্বগী থবক চখরকখিবনি অমসুং ঙসি নুংথিল কু অদু শরূ শয়াংগা লোয়নননা ফংবা ঙমখিবনি।

লমকাং চীফস এসোসিয়েসন চান্দেলনা মতম কক্তনা চখরকখিবা বন্দ অদু ঙরাং নুংথিল এস পি তেংনৌপলনা থাজবা পীরকপদগী খরা কোমথোক্লুরবা মতুং ঙসি অযুক্তগী অমুক মখা তানা হান্নগী মওংদা চঙশিল্লকপদগী পল্লেল–মোরে লম্বীগী থল্লাপোকপী ভিল্লেজ অদুগা চান্দেল লম্বীগী সেন্ট পাল হয়ার সেকেন্দরি স্কুল মপাদা সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখি হায়রি।

অমরোমদা নুমিৎ নীনি শুরবা ফাওবা বন্দ তৌরিবশিংদা লৈঙাক অমদি পুলিসকী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখলগী এক্সন অমত্তা লৌবা লৈতে। অদুবু দমজোল ভিল্লেজগী চীফ তোনিচিং লমকাং, চরাংচীং ভিল্লেজগী চীফ এস এন পিতর লমকাং, লমকাং চীফ এসোসিয়েসনগী এগজিক্যুটিভ অমদি বন্দ শৌগৎপশিংগী মথক্তা আই পি সিগী সেক্সন ২১, ১৪১, ১৪৩, ১৮৬, ১৮৮ অমসুং ৫০৫ গী মখাদা এফ আই আর লৌখৎপীনবা মীওই ৮৬ না খুৎয়েক পীদুনা চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী ও সিদা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখ্রে হায়রি। বন্দ তৌদুনা মীয়ামদা অৱাবা পীবগীদমক বন্দ কৌরিবশিং অমদি শৌগৎলিবশিং ফাবিয়ু হায়না ঙরাং মীয়াম্না চান্দেল পুলিস ষ্টেসন্দা লাক্কুনা ৱাকৎখিবসু লৈখ্রবনি।

মরক অসিদা লমকাং চীফ এসোসিয়েসন চান্দেলগী কাঙবু অমনা দি জি পি খৌতে, এ দি জি পি (এল ও) প্রমোদ অস্থানা আই জি পি কে জয়ন্ত, দি আই জি রেঞ্জ টু কবিব কে, দি সি চান্দেল কৃষ্ণকুমার অমদি এস পি য়াওনা দি জি পিগী ওফিস্তা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ৱারী শান্নবদা য়ানবা খরা পুরকপদগী মতম কক্তনা কৌরম্বা বন্দ হন্দোকপা হায়না য়ানখিবনি। য়ানখিবশিং অদু থবক্তা পাঙথোরক্তবা তারবদি মখা তানা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়রি।

অশিবা হকচাং অমসুং কু ফংনবা থিবদা চাউনা থৌদাং লৌখিবা এস পি তেংনৌপল টিঐচ বিক্রমজিৎ, দি এস পি এন সুরজ, ও সি তেংনৌপল এস কে জোন, সেকেন্দ ও সি এন সুরজ, এস আই নাওপুনি লানা, পুলিস কম্মান্দো অমদি অতৈ পার্সোনেল পুম্নমকপু লমকাং চীফস এসোসিয়েসন চান্দেলগী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

# ৱাংজিং লৌকোলগী লৌমীশিং ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরি

থৌবাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
নোং থেংনা তারকপা অমদি ইথৈ লৌখোংগী খুদোংচাদবনা মরম ওইরগা ৱাংজিংগী লৌকোল অয়াম্বা হৌজিকসু ইকং থোক্তুনা লৌমী লিশিং ৩ লোম অৱাবা মায়োক্নরি। মথং চহীদা শোয়দনা চাক তাঙবা থোরকপা য়ানা লৈরে।

পাউ অসিনা হায়, ইকং থোকপগী মিপাইবা ফাওরবা ৱাংজিং এস কে লৈকাইগী অৱাংথংবা লৌকোলগী লৌমীশিংনা মীয়ামগা লোয়নননা ৱাংজিং সোইবম লৈরক্তা লৈবা এম আই দিপার্টমেন্টকী ৱাটর পম্প হোসপৱার ২০ শীজিন্নদুনা ৱাংজিং লৌকোল শীন–থুংনা ঈশিং ফংহন্নবা লৌমী মীয়াম্না শেমজিনবা হৌখ্রে।

লৌবুক্তা ঈশিং থাজিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচানবগীদমক ক্ষেত্রিময়ুম লৈকাইদা কেনেল অমসু মীয়ামগী য়েংলগা তৌখ্রে হায়রদুনা হিরম অসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবিদুনা লৌমীশিংগী অৱাবা অসিদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবিয়ু হায়না সোসিয়েল ৱার্কর এল অশাকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

# মহৈরোয় নুপীমচাশিংদা শরিৎ–শরাক্কী মহৈ ফুন–কাঙলোন তম্বিখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ওল্ড চেক্কোন্দা লৈবা অনন্দসিংহ হয়ার সেকেন্দরি একাদেমিগী মহৈরোয় নুপীমচাশিংদা মশাগী পুন্সি অমদি ইকায় খুম্নবা কঞ্জনবা হুয়েল লাল্লোং, থাঙ–তাগী মনুংদা য়াওরিবা শরিৎ শরাক্কী মহৈ ফুন–কাঙলোন নুমিৎ নীনি চূপ্পা তাকপি তম্বিখ্রে।

শরিৎ শরাক এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল লসমোন সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি এসোসিয়েসন অসিগা কংলৈ ইন্দিজেনস মার্সিয়েল আর্ট কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)কা খূৎশম্নরগা থা অসিগী ১৩ অমসুং ১৫ দা নুমিৎ নীনি চূপ্পা ফুন–কাঙলোন অসি তাকপি তম্বিখিবনি।

মখা তানা লাপ্পা নকপা থিদনা স্কুল অমদি কলেজ কয়াদা ট্রেনিং অসি চখখিগনি লোয়নননা মহৈরোয় নুপীমচাশিংনসু তঙাইফদনা শরুক য়াবিয়ু। য়েংবা খক্তনা খঙহৌবা হৈহৌবা য়াবা কয়া য়াওরি। ট্রেনিং অসিদা তাক্লিবা মহৈ অসিনা য়াম্না লাইনা মশা কঞ্জবা ঙমগনি।

তাকপি তম্বিবা অসিদা হুয়েল লাল্লোং থাঙ–তা কলচরেল এসোসিয়েসন য়াইস্কুলগী শিন্তাক–পুরেল এল লসমোন সিংহ, মৈতৈ ইনাৎ শিন্দম অপূনবা হৈঙাংগী শিন্তাকপা এন ইবোহল মৈতৈ, ইষ্টর্ন থাঙ তা ওর্গনাইজেসন তাঞ্খমগী শিন্তাকপা এন জিবন মঙাং, কিমাক্সকী জেনরেল সেক্রেটরী শাইখোম শান্ত মীতৈ, য়ু এফ ও য়ুরেম্বমগী শিন্তাকপা কেঐচ নিলকান্ত খাঙানবনচিংবা ওঝাশিং শরুক য়ারি হায়রি।

# সি আর পি এফ গ্রুপ সেন্টর কেম্পসতা উঁহৈ পানবা উ চারা থাখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
বন মহটসব (ফোরেষ্ট ফেষ্টিভেল)গী মনুং চন্না রিজনেল সি আর পি এফ ফেমিলি ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন (আর সি দব্লিউ এ) সি আর পি এফ গ্রুপ সেন্টর ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি গ্রুপ সেন্টর অসিগী কেম্পসতা উঁহৈ পানবা উ চারা মপূং ওইনা লিচি চারা ২০, হৈনৌ চারা ২০, কোল্লা চারা ৬০, পুংদোন চারা ৫০, হৈক্রু চারা ৫০ অমসুং থৈবোং চারা ৫০ থাখ্রে।

দি আই জি ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, রিজনেল সি আর পি এফ ফেমিলি ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন গ্রুপ সেন্টর ইম্ফালনা মতম পুম্নমক্তা ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভম কন্দুনা হেন্না ফবা ওইহন্নবা অমসুং পোলুসনদগী ঙাকথোক্নবা অকোয়বগী ফিভম ফহনবা হায়বা অসিদা মীপুম তিংনা খঙমিন্নবা প্রোগ্রাম কয়া চখদুনা লাক্লি।

ঙসি উঁহৈ পানবা উ চারা কয়া থাখিবা অদুদা দি আই জি গ্রুপ সেন্টর ইম্ফাল আই লোকেন্দ্র সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি অদুগা ওফিসার অমসুং জৱানশিং শরুক য়াখি। আর সি দব্লিউ এগী মেম্বর অমসুং অঙাংশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

# শেমগৎ শাগৎপদা অয়েৎপা পীরকপা খূদিংমক মায়োক্নগনি

থৌবাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
খাঙবোক কেন্দ্রগী মনুংচনবা খাঙবোক সোরোক ৱাংমা লৈকাইগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎ–লকপদা অয়েৎপা পীরকপা খূদিংমক ক্লব অমদি লৈকাইনা মায়োক্নগনি অমসুং অয়েৎপা পীরকপশিং অদু লৈকাইনা বোইকোট তৌগনি হায়রি।

সভেন ষ্টার য়ুথ ক্লব খাঙবোক সোরোক ৱাংমগী জেনরেল সেক্রেটরী এল রামেশ্বর সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা লৈকাইগী অহল লমন, ইমা ইবেন, নহাশিং অমদি ক্লবকী মেম্বরশিংগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্ন–নৈনরবা তুংদা ফিরেপ অসি লৌখিবনি।

সোরোক ৱাংমা লৈকাই এরিয়া অসি হান্নদগী শোখদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা লৈকাই অসিগী শেমগৎ শাগৎপা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক খূদিংমক্তা অথিংবা অয়েৎপা অমত্তা লৈতে। কনাগুম্বনা অয়েৎপা পীরক্লবসু মদুগী মায়োক্তা লেপকনি অমদি অয়েৎপা পীরকপা খূদিংমক লৈকাইনা বোইকোট তৌগনি হায়নসু মীফম অদুনা য়ানখি।

# এমসুনা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী মহৈরোয় য়াংলেম প্রিয়ানন্দনা হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

এমসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী লুনপাও লুফেংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৈখিদ্রবা প্রিয়ানন্দ দি এম কলেজ ওফ সাইন্স ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ২০১৮–১৯ সেসনগী বোইজ কমন রুম সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুরম্মী অমসুং লৈবাক্কী থবক থৌরম কয়াদা মাঙজিন থারম্মী। মহাক্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

# অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
রিমস কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়ার এসোরিয়েসনগী সেক্রেটরী মোইরাংথেম ময়াকান্তনা ঙরাং খঙহৌদনা লৈখিদবদা এসোসিয়েসন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম্না অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবা ময়াকান্ত মথৌদা পূক্লিং চঙবা অমসুং থকশি খাশি ঙাক্না চৎপা ইন্সটিট্যুট অসিগী ইমপ্লোয়ি অমনি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না জেনরেল সেক্রেটরী টিঐচ বাবু সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

# গুরু পূর্ণিমা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
ভারত স্বাভিমান (ট্রষ্ট) অমসুং পতাঞ্জলি যোগ সমিটি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি মালোম টুলিহল অৱাং লৈকাই পতাঞ্জলি যোগ সেন্টরনা পূন্না শীন্দুনা ঙসি গুরু পূর্ণিমা থৌরম মালোম টুলিহল অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না জিল্লা প্রভারি এম চরন সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রভারি, যোগ ওঝাশিং, যোগবু নুংশিবশিং অমদি ট্রষ্ট /সমিতিগী মীওইশিং শরুক য়াখি লোয়নননা স্বামিজি বাবা রামদেবগী ফোটোদা লৈশু কত্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

# ফুরুপকী শক্তম ঙাক্নবগীদমক লাই হরাউবা অমসুং ট্রান্সজেন্দর হায়বসিদা খন্ন–নৈনগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
উমংলাই হরাউবা অমদি মসিনা ঙাক্তুনা থল্লিবা ফুরুপকী শক্তম ঙাক্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা লাই হরাউবা অমসুং ট্রান্সজেন্দর হায়বসিদা মীয়ামগী খন্ন–নৈনবা মীফম থা অসিগী ২১ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফালগী কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোক্কদৌরি।

উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)গী জেনরেল সেক্রেটরী এম জিলাঙম্বনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খন্ন–নৈনবগী মীফম অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবদি পা–পিগী কাঙলোন্দা চখরিবা লাই হরাউবগী থৌরমদা পা–পিগী লিক্লম কায়রকপদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরকপা অসি মতম চানা খঙমিন্নদুনা থোকহন্দনবা হোৎনবনি।

লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌমিন্নরকপা ফুরুপ অয়াম্বা মশাগী শক্তম মাঙলক্লে হায়বা য়াই। মালেমগী অপিকপা ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতৈ ফুরুপকী শক্তম মাঙলগদ্রা হায়বগী মিপাইবা লৈবদা নত্তনা চয়েৎনবা কয়া থোরকপগী অৱাবা মায়োক্নরক্লি। ফুরুপ অসিবু মালেমগী লৈমায়দগী পুংমুৎ মুখৎখিনবা হোৎনখিবা কয়া পুৱারীগী থৌদোকশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লি। অসিদসু নত্তনা চাবোক হন্থরকপা, মীতোপতা য়ুম পানবা অমদি হিংনবগীদমক মীরমদা চৎনখিবা কয়া অসিনা ফুরুপ অসিগী দেমোগ্রাফিদা অচৌবা চৈথেং কয়া পীরি। চৈরক অসিদা ফুরুপকী শক্তম ওইরিবা উমং লাই হরাউবদা ইশা ইশাগী অপান্বদা য়ুম্ফম ওইরগা তৌনিং তৌনিংবদা পংতৌ তৌশিল্লকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়বা তাই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পা–পি, থক–খা কায়বা য়াদবা অচেৎপা লিচৎ অমগী মখাদা নুংঙাই য়াইফনবা, খুঞ্জাও লৈচাওনবা চাকহোং ঙাহোংনবা পাঙথোক্লিবা লাই হরাউবগী থৌরম অসিদা মাগী মাগী অপান্বনা মাঙ থাদুনা নুপানা নুপীগী অদুগা নুপীনা নুপাগী ফিজেৎ শেত্তুনা ওই–য়েৎ ওন্ন–তৈনবগী থৌওং কয়া লাইমাঙদা চখরক্লি। মসিনা ফুরুপকী চৎনবী, থকশি–খাশি, পা–পিগী কাঙলোন পূম্নমক কাংখোং চাইরক্লিবা মসিনা ফুরুপ অসি মশাগী শক্তম ঙাক্না হিংনবগী মওং মাঙখিবা য়াবগী মরম ওইরক্লি।

মীয়াম তিনবা মফমদা নুপানা নামৈ হাপ্তবা য়াদবা অদুগা নুপীনা ফিজি ফিনা থাদোকপা য়াদবগী অকনবা চৎনবী লৈবা ফুরুপ অসিগী চৎনবীবু য়াম্না উৎশিৎ থৌওইদবগী মওংদা লাই হরাউফমমক্তদা নুপানা ফনেক অদুগা নুপীনা ফৈজোম শেত্তুনা লাইমাঙদা চঙশিল্লক্তু না ফোংনা চৎনবী থুগায়রকপসি ফুরুপ অসিগীদি খ্বাইদগী মাঙজবা অমনি। ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসি ঐখোয়গী ফুরুপচাশিংনা মতম চানা নৈনদুনা খন্থমিন্নহৌদবা তারবদি মেনখৎপা ঙম্লোইদবা ফিভম্না লাকহৎতুনা মাঙমিন্নখিবা য়াই। মরম অদুনা উকলনা শীল্লিবা খন্ন–নৈনবগী মীফম অসিদা শরুক য়াবিদুনা অপান্বা অফ–ফত্তা পূম্নমক ময়েক শেংনা ফোঙদোক্নদুনা অমত্তা ওইবা ৱারেপ লৌদুনা ইশাগী নাৎ, চৎনবী, লাইনিং লাইশোন, ফিজেৎ লৈতেং পূম্নমক ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবদা শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কোলকতা মণিপুর ভবনগী দি আর সিগী সার্ভিস এক্সটেন্সন তৌবা য়ারোইঃ জে এস সি সি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
শেঞ্জা থুমজাদা চেন্নরিবা মণিপুর ভবন কোলকতাগী দি আর সিগী সার্ভিস এক্সটেন্সন তৌবা য়ারোই হায়না মহৈরোয় লূপ এমসু, এম এস এফ, কে এস এ অমসুং সুক্কী অপূনবা জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেসন কম্মিটি (জে এস সি সি)না ফোঙদোরক্লি।

জে এস সি সিগী মেদিয়া কোওর্দিনেটর সজাদ বুইয়ামযুমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, বি জে পিগী এন বিরেন সিংহনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিগী অহানবা কেবিনেটে মীফমদা মকোক থোংবা ওফিসার–শিংনা মখোয়গী সার্ভিস মতম লোইরবদি অমুক হন্না শাংদোক্তুনা শীজিন্নরোই হায়না ৱারেপ লৌদুনা মখৌ পোংনা অচুম্বা অমদি অওনবা সিষ্টেম অমা পুরক্নবা লেপকনি হায়না লাউথোকখি। অদুবু ঙসিদি লৌখিবা ৱারেপ অদু ঙাকচবা ঙমদ্রে। তঙাইফদবা থবক্কী কোলকতাদা চৎপদা অঙম অথৌ, এম এল এ, মিনিষ্টর য়াওনা লৈফম অমদি থুংফম ওইরিবা মণিপুর ভবন কোলকতা অসি ওফিসিয়েল খরগী লনাই অশানবা য়ুমগুম কুশি রাশিদা শীজিন্নবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। থোকহল্লিবা অসিমক জে এস সি সিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরী (জি এ দি)না হৌখিবা মে ২ দা মণিপুর ভবন কোলকতাগী দিপ্যুটি রেসিদেন্ট কম্মিস্নর (দি আর সি) ওইরিবী এস মেমচা দেবী রোই (সেনিয়ার)য়াওনা মীওই ৫গী তর্মিনেসন ওর্দর থোকখি। হৌখিবা চহীদা শেঞ্জা থুমজা কয়া চখখিবগা লোয়নননা নিয়ম লান্না নন–মণিপুরী কয়া লোন্না থবক হাপচিনখিবগী মতাংদা ৱাথোক ওইখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ওফিসিয়েল ওর্দর থোক্তুনা সার্ভিস এক্সটেন্সন তৌবগী ৱাফম লৈত্রবসু এস মেমচা দেবী রোইনা ফম পায়দুনা ভবন অসি মখা তানা পায়শিনবা হায়বসি মপু পান্দে হায়বদু তাকপনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লোন্না থুপ্পা তৌবা থবকশিং অমত্তা পাঙথোক্তনবা অমদি মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবা মহৈরোয় খুন্নাইনা মেদিয়াগী খুথাংদা খঙহনবদগী লোন্না থবক হাপচিল্লম্বা মতম খরা লেপ্লুরে। অদুবু মে ৩১ দা থবক্তগী পোখরগদবা এস মেমচা দেবী রোইবু হৌজিক ফাওবা দি আর সি অমদি দি দি ওগী ফম পূন্না পায়শিন্দুনা লৈরগা ৱাচৎ ৱানোমদুনা সার্ভিস এক্সটেন্সন তৌনবা হোৎনরি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

থবক্তগী পোখারবা অমনা দি দি ওগী ফম পায়শিনবা হায়বসি সার্ভিস রুলগী ৱাংমদনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অশোয়বা অরানবশিং কুপশিন্দুনা মেমচা রোইবু কনখৎনবা হোৎনরক্লবদি ইমপ্লোয়ি অমত্তনা গভর্ণমেন্ট অসিদা ইকায় খুম্নবা অমদি থাজবা থল্লক্লোই। মরম অদুনা মেমচা রোইগী সার্ভিস এক্সটেন্সন তৌনবা হোৎনরিবসি লেপত্রবদি জে এস সি সিনা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন কোলকতাগা খুৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

# লিলোং হাওরৈবী কলেজ হেন্না ফগৎলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
ডা. এ সুরেনজিৎ সিংহনা মমাঙ চহী ২০১৮ দগী লিলোং হাওরৈবী কলেজগী প্রিন্সিপাল ওইনা থৌ পুরকপদগী তেল্লবা মতম অসিগী মনুংদা কলেজ অসি হেন্না ফগৎলকপা অমসুং চাউখৎলকপগী মশক উবা ফংলকপদা কলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না থাগৎপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

লিলোং হাওরৈবী কলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরী ইস্রান হুসেন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, তেল্লবা চহী ১ থা ৩ লোম অসিদা কলেজ অসিগী ওইনা অনৌবা নিয়ম কয়া শেমদুনা মপূং ফানা চাউখৎহন্নবা প্রিন্সিপাল ডা. এ সুরেনজিৎকী লমজিং মখাদা হোৎনরি। মরু ওইনা টিচিং অমসুং নন–টিচিং ষ্টাফশিংগী এটেন্দেন্টস বাইওমেট্রিক সিষ্টেম তৌবগা লোয়নননা ক্লাস চাং নাইনা লৌবা, মহৈরোয়শিংগী এটেন্দেন্টস শুদ্দবদা এগজাম থাহন্দবা অমদি চাং নাইনা কলেজ কারক্নবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলকপা অমদি কলেজ অসিগী মমাঙদগী শেমগৎ–শাগৎলকপা কয়া মতুং তারকপদা হন্না য়েংবিরমদবদু অনৌবা প্রিন্সিপালগী মীৎয়েং মখাদা য়ু জি সিগী মতেং লৌরগা স্বিমিংপুল অমসুং ইন্দোর হোল লোইশিন্নবা হোৎনরকপা অসিনচিংবনি।

অনৌবা ক্লাস রুম কয়া শাগৎপা অমদি অরিবা ক্লাস রুম কয়া রিপ্যারিং তৌদুনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী থবক পায়খৎলকপা অসিগীদমকসু প্রিন্সিপালবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিংদা শরুক য়াখিবশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লোইতাং লৈকিনথবি ময়াই লৈকাইদা লৈবা নোথর্ন দিসএবিলিটি ইন্সটিট্যুট (এন দি আই)না শীন্দুনা হৌখিবা মে ২ দগী চখরকখিবা স্কিল দিভলপমন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবা মীওই ২৫ দা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে।

এন দি আইগী জেনরেল সেক্রেটরী এস ইনাওবীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ট্রেনিংশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ফুম্নৌ জি পিগী প্রধান মৈস্নাম মনি সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, লোইতাং লৈকিনথবি ভিল্লেজ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা চবুংবম তোম্বনা থৌরম মপু অদুগা ফুম্নৌ জি পিগী উপ–প্রধান অথোকপম ওংবী সুনিবলা দেবীনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# পোইদা ইংলিস এসে ইবা চাংদম্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ
তরা সেক্টর অসাম রাইফলসকী সোমসাই বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ইন্দো–ম্যান্মার বোর্দর মনাক পোই ভিল্লেজদা লৈবা ব্রাইটর ইংলিস স্কুলদা ঙসি ইংলিস এসে রাইটিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মহৈরোয় ৫০ না শরুক য়াখিবা এসে ইবা চাংদম্নবা অদুগী হিরমদি অৱার কলচর অমসুং অৱার ফেষ্টিভেল হায়বা অসিনি। হিরম অনী অসিগী মনুংদগী অপান্বা অমা ইবগী অয়াবসু পীখি। অঙাংশিংদা ঐখোয়গী কলচর অমসুং হান্নদগী লৈরক্লবা চৎনবীশিং অদু খঙহন্নবা মীৎয়েংদা চাংদম্নবা অদু চখিবনি। মদুদা হৈনিংনা শরুক য়াখিবা অদুমক য়াম্না শীংথানিঙাই ওই।

সায়েন্টিফিক হোরোস্কোপ/ পাঞ্জি তম্বা

Scientific Horoscope Centre, Babupara না Scientific ওইবা মওংদা থা ৩ গী পাঞ্জি তম্বগী কোর্স অনীশুবা বেটচ লোইখিদুনা অহুম (৩) শুবা বেটচ তাং ৫।৮।২০১৯ দগী হৌজরগনি। পাঞ্জিগী মহৈ অসিবু হৈনিংবা মীওইশিংনা মখাদা পীরিবা Contact No. অসিদা নৎত্রগা ওফিস্তা লাক্তুনা উনবিয়ু। Class 6.30 a.m. to 8.30 a.m.

Budhi Leishangthem
# 8119046868

SL/B/15 days

# ঙসিগী রাষি ফল (১৭–০৭–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, অফবা পাউ তাবা, খুদোংচাবা তোয়না থেংনবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** অফবা পাউ তাবা, হোৎনজমন কান্নবা ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা মতম্নি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** অশোক অপন থেংনবা, শাওনবা, ৱারৌবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংবা ফগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ খরা ফগনি।

**কর্কটঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ ফগনি।

**সিংহঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১০, ১১,১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১২,১৩,১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** খৎনবা, শাওনবা, শেল চৎপা মতম্নি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই, লম চৎপা হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ খরা ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** শাওনবা মতম্নি। ৱারৌবা লৈরগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ চাং অমদা লৈ, ১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ ফগনি।

**মকরঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা মতম্নি। লম চৎপা কান্নগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা, মতম্নি। শাওদবা ফগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংউ। শেল চৎলগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ খরা ফগনি।

**মীনঃ** চরক চহিং নাইবা, হন্নবা,অপনবা পীবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। হকচাং নুংঙাইরোই। ইমুংদা শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ হেন্না ফত্তে, ২৭ ফগনি।







